# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-05-2025)**

**কোকোমি (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং চহি অনি ফারকপগা মরী লৈননা মনিপুর মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ঙসি খুন্মন লম্পাক ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরি।

কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদগী খঙ হৈরবা মীওইশিংনা ৱা ঙাংগনি। ঙসি নুমিদাংৱাইরম কংলা নোংপোক থোংদা হৱাং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা কেন্দল থানদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

অমরোমদা, মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং চহি অনি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা থৌরম কয়া পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। মফম কয়াদা পুলিস পেকেড হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চখুরি।

সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফ্লেগ মার্চ চৎখি।

ঙরাং ইম্ফালদা চৎখিবা ফ্লেগ মার্চতা শরুক য়াখিবা ৩৪ শুবা সি.আর.পি.এফকী দি.আই.জি.-সুসানকর উপধ্যায়না হায়-ফ্লেগ মার্চ অসি রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা পুরকবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফয়েং মখা লৈকাইদা থিবা হুন্থবগী থবক চখুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ইনপ্রোভাইস রোকেট অনি, ইমপ্রোভাইস মোটার পোম্পী অনি, হেলমেট অহুম, বুল্লেট প্রুব

প্লেট ৮, লান্মীশিংনা শিজিন্নবা খোঙ্গ্রাউ ১২ অমসুং খোঙউপনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা আইন কায়না খুৎলায় লল্লোনবনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চিংমৈরোংদা লৈবা বজার ইন্দিয়া সোপিং মোল ময়াদগী ফাখি। মঙোন্দগী মরু তরা য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অমা ফাগৎলে।

পুলিসনা গাড়ি হুরানবনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সমা মসজিদ এরিয়াদগী ফাখি। ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা গাড়ি হুরানখিবগী ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা থিবা হুন্বগী থবক চথরকপদা মীওই অসি মহাকা হুরানখিবা গাড়িগা কোন্ননা ফাগৎখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে টু অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৫০৪ ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং মহা এরিয়া চীফ এসোসিয়েসননা পুন্না শিনদুনা চান্দেল জিলাগী চকপী তুরেল পরিংদা লম-তু শেংদোকপগী দ্রাইব অমা ঙরাং চথখ্রে।

লম-তু শেংদোকপগী থবক অদু মোনশাং পন্থা খুলদগী লমফৌ পাশনা এরিয়াদা লৈবা অসাম রাইফলস বেজ কেম্প ফাওবা চথখি হায়রি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মহা এরিয়া চীফ এসোসিয়েসনগী চেয়ারমেন-জে.এস. অঙম অনালনা হায়-চকপি তুরেল অসি ফুরুপ অমখক্কী নত্তে। মসি পুমমক্কী লননি। তুরেল অসি ফুরুপ কয়া মপাং তাংদুনা হিংলি। তুরেল অসিগী তোর্বানদা মীওই অমত্তনা ওককোননচিংবা শাজিনবীগনু অমদি ফত্ত-হৌদিনচিংবা লংশিনবীগনু হায়রি।

**ভিজিতঃ** অঙ্গোলাগী রাস্ত্রপতি-জাউ মেন্যুয়েল গোনচালবেস লোরেনসোগা

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ৱারী শান্নরগনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না তেংবাং পীননবা য়ান্ন-চে কয়াসু সহি তৌনগনি।

রাস্ত্রপতি লোরেনসো ঙরাং ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ভারত্তা থুংখিবনি। রাস্ত্রপতিনা ঙরাং ইয়ারপোর্টতা হেক থুংলবগা মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-কে.বি. বরধননা মহাকপু তরামা ওকখি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা মন্ত্রিশিং, লল্লোন ইতিক্কী মীওইশিং অমসুং মেদিয়াগী মীওইশিং লোয়নরকখি। শ্রী লোরেনসো ঙসি রাস্ত্রপতি ভবনদা হরাউ তয়ামা ওক্কনি। মহাকা ঙসি রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগা ৱারী শান্নগনি। হয়েং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা বিজিনেস ইভেন্ট অমদা শ্রী লোরেনসো শরুক য়াগনি।

**অমিত সাহঃ** নার্কোটিক কন্ত্রোল ব্যুরোগী অমৃতসর জোনেল য়ুনিটনা রাজ্য মরিদা থা মরি চংনা চথখিবা ওপরেসন অমদা লুপা কোতি ৫৪৭ রোমগী মমল ওইগদবা দ্রগ অমদি মীওই ১৫ রোম ফাগৎপা ঙমখিবদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী সাহনা হায়-ভারতপু দ্রগ লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা দ্রগ লল্লোনবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক পায়খৎলি। রাজ্য মরিদগী দ্রগ কয়া এন.সি.বিনা ফাগৎখিবা অসি প্রধান মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা চংশিল্লিবা দ্রগ লৈতবা ভারত অমা ওইহন্নবগী পান্দমগী শরুক অমনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা পাক্তকনা অখাক অরাও অমসুং নুংশিৎ য়াওনা ময়াই ওইরপ্পদগী কল্লপ নোং চুগনি।

বিভাগ অসিনা হায়-নোংপোক থংবা ভারত অমসুং ময়াই থংবা ভারতকী মফম কয়াদা থা অসিগী তরুক ফাওবা অখাক অরাও, নুংশিৎ অমদি লেন য়াওনা

নোং চুগনি। অৱাং নোংচুপ ভারত্তদি হায়রিবা ফিভম অসি মে তরেৎ ফাওবা অহোংবা লৈরোই।

রাজ্য অসিগী কামজোং অমসুং তেংনৌপল জিলা নত্তনা অতৈ জিলাশিংদা ঙসি পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাও য়াওনা নোং চ্গনি হায়রি।

**গেমসঃ** বিহারনা য়ুম্বু ওইদুনা তরেৎশুবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস হয়েংদগী তোঙান তোঙানবা সহর তরুক্তা পাঙথোক্লগনি।

অকাশবানি (ন্যুজ) কা ৱারী শান্নবদা বিহার ষ্টেট স্পোর্টস ওথোরিতিগী দাইরেক্তর জেনরেল-রবিন্দ্রন সংকরননা হায়-হৌদোকপগী থৌরম থা অসিগী মরিদা ওলিম্পিক্কা চপ মান্ননা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ২৮ দা অথোই অহেন তান্নগনি। মহাকা হায়-গেমস অসিদা অহানবা ওইনা ই-স্পোর্টস য়াওগনি। গেমস অসি শরুক য়ানবা তোঙান তোঙানবা শান্নরোইশিং থুংলবা হৌরে।

বিহারনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসকী হৌদোকপগী থৌরম অকাশবানিনা মীৎনা উবা পাউদম শন্দোক্কনি। হৌদোকপগী থৌরম নুমিদাং পুং ৫ মিনিট ৫৫ দগী হৌরগা নুমিদাং পুং ৭ মখায় ফাওবা থৌরম লোয়দ্রিবা ফাওবা শন্দোক্কনি। মসি ন্যুজ ওন এ.আই.আর. এপ, প্রসার ভারত্তি স্পোর্টস, য়ু ট্যুব চেন্নেল অমসুং দি.টি.ঐচতা য়েংবা য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইনা ফোংনরিবা পাউ খরা পনবা তারবদি, মীতৈসু, কুকিসু ঙসি মনিপুরগী ইরাং চহি অনি মপুং ফাবগী থৌরম

পাঙথোক্কদৌরি, থাদৌ অমদি মীতৈনা মনিপুরগী ইন্টিগ্রিতি ঙাকপা, এস.টি. লিষ্টতগী এনি কুকি ত্রাইব লৌথোকপা অমদি এন.আর.সি. চৎনহনবা হায়না য়ান্নখ্রে হায়বা পাউ অমসুং মে অহুমগা থৌরমগী মাংওইননা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়বা পাউশিং অসিনা ওইরি।

মনিপুরদা ঙসি মে অহুগী নীংশিং থৌরম তম্পাক্তা পাক শন্না পাঙথোক্কদৌরি, চীংদনা কুকিশিংনা নুমিৎ অসিবু 'সেপরেসন ডে' হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাড অসি নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পোকফম, ঈচেল এক্সপ্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা-এম.এল.এশিং পনশিন্নখ্রে, মে ১৩ ফাওবদা অনৌবা লৈঙাক শেমগদৌরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-রাজ্যপালনা ঙমখৈ শম্বল খাবগী মতাংদা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

স্পিকরনা গভনরগা উন্নখ্রে, মনিপুরদা পোপুলর গর্ভমেন্ট অমা অথ্বদা শেন্নকপা য়াবগী থাজবা লৈরে হায়না মনিপুর বিধান সভাগী স্পিকর-থোকচোম সৈত্যবরতানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা ময়ুমদা হনজিলহনবীয়ু হায়না পাক শন্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা লৈঙাক লাক্লগা জেনরেল বলরাম লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকবা হোৎনগনি হায়না স্পিকর সৈত্যবরতানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা-রিভিজিটিং মে থ্রি, ফিরেপ লৌমীন্নবা অমুকোনা আপিল তৌরি হায়বা পাউ অমা এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-ফাগৎখিবা টোবেকোগী পোৎলমশিং মৈ থাখ্রে হায়বা পাড অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-সু লৌথোকনবা অমদি এন.আর.সি. চৎনহন্নবা পাপমনা দিমান্দ তৌরি হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-য়ু.এন.সিনা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম চৎনহন্নবা, নাগা এরিয়াদা বোর্ডর ফেন্সিং লেপহন্নবা অমদি নৌনা দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবা হন্দোকবা রাজ্যপালদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মে অহুমগী থৌরম মাংওইননা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-তমেংলোং হেদক্বাটরদা থল্লকখিবা কার্ফিয়ু ঙসি পুং তরুক্তগী নুংমিদাংব্রাইরম পুং মঙা ফাওবা কোমথোক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।